হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুলাই ০৯, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১০০ শুবা মশীং

# ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক লুট তৌবা

## মণিপুর পুলিসনা মতম মতমগী রিপোর্ট থমহন্নিংই

***থৌবাল*** পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অথোকপম অৱাং লৈকায়দা লৈবা হাউসিং দিভলপমেন্ট এন্দ ফাইনান্স কোর্পোরেসন (ঐচ দি এফ সী) থৌবাল ব্রাঞ্চ বেঙ্কতগী লুট তৌরগা শেল অমসুং সনা য়াওনা লুপা ক্রোর ৩ হেনবগী পোৎচৈ খোল্লগা পুখিবগী থৌদোক অমা থা অসিগী ৪গী নুংথিল পোবোপ্তা থোকখি। বেঙ্ক অদুদা মমীৎ-মমায় কাবক কাবক খুমজিল্লগা থাঙ পায়দুনা মীওই তরুকলোম চঙশিল্লক্লগা দব্বল বেরেল নোংমৈ পায়বা সিক্যুরিটি গার্দ অমসুং বেঙ্ককী ষ্টাফশিং ওভর পৱার তৌরগা য়াম্লবা শেল অমসুং পোৎলমশিং অদু খোল্লগা পুখিবনি হায়না পাউচেশিংদা ফোঙনরকখি। সী সী টি ভী কেমেরা অমদি কেমেরাশিং অদুগী রেকোর্দ তৌফম ওইরিবা কম্প্যুটর সেট অদু থুগাইরমই হায়নসু পুলিসকী পাউ পল্লগা পাউচেশিংদা য়াওনরকখি। মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা বেঙ্ক কয়াদা লুট তৌবগী মওং মতৌ অদুদগী পুমতোপ তোপ্না ঐচ দি এফ সী থৌবাল ব্রাঞ্চকী বেঙ্কতা তৌখিবা মওং মতৌ অদু পাউচেশিংদা হেক ফোঙনরকপগা থোইনা ঙক্লিংঙাই ওইদবা লুট মখল অমনি হায়না মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওরমগনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মহৌশানা বেঙ্ক অসিগী ষ্টাফ খরগা লৌতুনরগা চথবা ওইগল্লি হায়বসি মীয়াম্নসু ইফোঙ ফোঙনা খঙই। ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক অদুনা লৈরিবা মফম অদু য়ুমদোংপোকসু নত্তে, ইহাং হাংবা মী তাদবা মফমসু ওইদে। বেঙ্ক অদুগী মথক থংবা ফ্লোর অমসুং মখা থংবা ফ্লোরদা দুকান অমদি অতৈ লন্নাইগী লোয়শঙ কয়ামরুম লৈ। মরম অদুনা অমুক্তদা মখল কয়াগী থাঙগা লোয়ননা মীওই পুল্লপ বেঙ্ক মনুংদা চঙবা হায়বসি মীওই খরদি শোয়দনা উরমগনি। মদুদা ফাওবা কনামত্তা শমিন ফংহৌদে হায়বা তারবদি থাঙশিং অদুসু মাঙজৌননা বেঙ্ক মনুংদা লোৎশিল্লগা থম্ব্রা হায়বা ৱাফম অমা লাকই। মোবাইল ফোনগী নেটৱার্ক নীংথিজনা ফংবা, মীপুম খূদিংমকসু মোবাইল ফোন পায়দবা য়াওদ্রবা, পুলিস ষ্টেসনগসু পংলাপ লাপ্নদবা মফমদা থোকপা থৌদোকপু পুলিস কম্মান্দোগী পার্সনেলশিংনা খুদক্তা কোইতান তান্নরগা ফাগৎপা য়াবদুসু ঙমখিদবগী মরুওইবা মরম ওফিসলশিং অদুনা মতম চানা পাউ পীখিদে হায়বসিমদি অচুম্বা ওইগনি।

মালেমগী চাউখৎলবা মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ক্রাইম কয়ামরুম থোকই। চাউখৎপদা মপান লৈত্রে হায়নরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ আমেরিকা (য়ু এস এ)দসু ঙরাংমক তমথিরবা থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোকশিং অদুগী পুং খরগী তুংদা মরী লৈনবা পুলিস ওফিসরশিংনা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মিদিয়াশিংদা ব্রিফিং তৌই। ব্রিফিং অদু মীয়াম খঙহনবা ওইনা ন্যুজ চেনেল ময়াম্না মতম অমত্তদা পাক শন্না শন্দাকই। ইন্দিয়াদসু অদু মঙাই, ক্রাইম অমা থোকখ্রবা মতুং পুং খরগী তুংদা থোক্লিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা করিগুম্বা ৱাফম খরা মীয়ামদা থম্বা হায়বসি চৎনৈ। মসিনা মীয়ামদা লৈরিবা চমম্নবা ৱাখল্লোনশিং অদু কোকহনবদা মতেং পাংই অমসুং মীয়ামগীদমক পুলিস ফোর্সনা কত্থোকপগা লোয়ননা থবক তৌই হায়বদু উৎপা ঙমই। ক্রাইম অমদা মীওই খরা চেন্নবা হায়বসি চেন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মশক-মমিং পুলিসনা অরোনবা ওইনা থম্বগী কান্নবা লৈরোই। মখোয়দি পুলিসনা থিরক্কনি, ফাবা লাক্কনি হায়বা মাঙজৌননা খঙবগা লোয়ননা খুউ শেল্লগা থবক পাংথোক্লম্বনি। ৱাখল্লোন পরিং অসিদা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওই অদুগী মশক-মমিং পুলিসনা মীয়ামদা ফোঙদোকই অমসুং মখোয়গী ফোটোগ্রাফ নৎত্রগা অয়েকপা শক্তম মিদিয়াশিংদা পীথোকই, সোসল মিদিয়াদা থাগৎলি। মসিনা পুলিসনা ফানবা তান্নরিবা মীওই অদু ককঙাওনহল্লি। মীয়াম্নসু মীওই অদু হেক উবদা ফানবা পুলিসতা পাউ পীরকই। অসুম্না মীয়ামগা পুলিসকগী মরক্তা অফবা মরী শাগৎনগদবা মণিপুরগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক লুট তৌখিবগী থৌদোক্তা মরী লৈনবা ঈ-পাউদি নুমিৎ ৪নি হৌখ্রবা ফাওবদা পুলিসনা চে মতৎ অমফাওবা থোক্তুনা মীওই কয়া ফারবগে হায়বা খঙহন্দে। ফাগদবা মী ৱাৎলি, মখোয় শিংখিগনি হায়বা অমনবা ৱাখল্লোন্দা হৌজিকসু থবক তৌরি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই কয়া হৌজিক ফাওবদা পুলিসনা ফারে, মখোয়দগী লুপা কয়া, সনা কয়া রিকোভর তৌবা ঙম্লে, মীওই কয়া মীচেন ওইরিবগে হায়বনচিংবা মকোকথোংবা পুলিস পার্সনেলশিংনা মীয়ামদা খঙহনবা চুমই। ফাবা ফংদ্রিবশিং অদুসু মমিং মথা মীয়ামদা থম্লগা মখোয়বু ফানবা হোৎনবদা পুলিসনা মীয়ামগী মতেং লৌনবা হোৎনগদবনি হায়নিংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩

১। ''মপু সনা কৈথেলদা মিংচৎ নঙবু থোকপরা''
ৱাফম অসি করম্বা কবিনা হায়রম্বনো?
২। ৱারীমচা ইবা মাইবম নবকিশ্বরনা শৈরেংগী লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।
করি মমিং কৌই?
৩। 'লৈ মনা অমতং' করম্বা মকলগী লাইরিক্নো?
৪। 'মধুশালা' বু মণিপুরীদা হন্দোকপগীদমক ট্রান্সলেসন
প্রাইজ ফংখিবা মীশক্তু কনানো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২ গী পাউখুমশিং

১। অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ ২। ৱারীমচা ৩। খাইদেম প্রমোদিনী
৪। কালাচান্দ শাষ্ট্রি ৫। কাংজম পদ্মকুমার

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২ গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিং

| | | |
|---|---|---|
| ১। | তেন্সুবম সিবানন্দ সিংহ, সেন্ট বেনেদিক্ট কিন্দর গার্দেন য়াইরিপোক | (৫) |
| ২। | *লোংজম এঞ্জলিকা দেবী, শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়* | *(৫)* |
| ৩। | মাইস্নাম সুরঞ্জিৎ, নম্বোল ফোইজিং নোদিয়া থোংখোঙ | (৫) |
| ৪। | সগোলশেম লল্লৈবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় | (৫) |
| ৫। | কে প্রেমিতা দেবী, য়াইরিপোক বজার | (৫) |
| ৬। | কোঞ্জেংবম রোমাবতি দেবী, য়াইরিপোক কেক্রু | (৫) |
| ৭। | কৈশাম মথংবী, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা | (৫) |

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১২ গী ৱিন্নর

ৱাহং পূম্নমক্কী পাউখুম চুম্না পীবিরকখিবা মীওইশিংগী মরক্তগী দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবা

*লোংজম এঞ্জলিকা দেবী, শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়*

### খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

জুলাই তাং ১০, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০;
হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

**হায়নবা লৈ ঃ**
*অপঙবনা লান্দা থৌই।*

# মেকপ্না ফজরিজাৎলা?

**ৱাইরু ৱাইরুবদা**
**হোঙবা**



**ইবাই** মাঙ্গোনজাউগী মচা মরিনি। মহাক ময়ূম থেঙনা পাল্লি। মচা অনী অমদি খরা পীক্লি। মচা অমনা ক্লাস টেন তল্লি। মচা অহলদুনা ক্লাস তুয়েল্ভ তল্লি।

ইবাই মাঙ্গোনজাউ হন্দক্তি লৈত-লৈতনা এক্টিভা সেকেন্দ হেন্দ অমা লৈজরে। গাড়ী থৌবসু হৈরমদবনি তমদুনা হৈজরে মদুমসু। তঙাই ফদনা। মচানুপী তেন কাবী অদুমনা বোর্দিংদা থমদোকখ্রে শেল লৈত লৈতনা। বোর্দিংদা লৈরগা মানা তল্লিবা স্কুলগী ওজাশিংনা তৌবা ট্যুসন অদু য়াওনবা লুপা লিশীং ২০ থীখ্রে লৈত লৈতনা। মখোয়গী স্কুলগী ওজাশিংনা তৌবা ট্যুসন ওইরবনিনা মচানুপী ক্লাস টেন কাবী অদু কোয়থিন থিনবা চৎপগী থবক অদুমদি লৈররোই। মরমদি মখোয়গী স্কুলগী ওজাশিংনা মখোয়গী স্কুলগী মহৈরোয়শিংবু মখোয়গী স্কুলগী বিল্ডিংমক্তা মখোয়গী স্কুলগী অথোরিটিমক্না শীনবা প্রাইভেট ট্যুসন ওইরবনিনা অঙাং থিন্দোক থিনজিনগী অৱাবা লৈত্রে। মসিমুক ফবা লৈত্রে। য়ামদ্রবদা কোর্স অমগী লুপা লিশীং ২০ থীখ্রগা লোইরে লৈত্রসু লৈতনা। গাড়ী অকুংবা মরক অসিদা অঙাং থিন্দোক থিনজিন তৌবা অসিমক অৱাবগী মতৌনি। এক্সিদেন্ট থোক্লিংঙাইনি।

তুয়েল্ভ তল্লিবা নুপামচা অমদুনা ইবাই মাঙ্গোলজাউনা থিন্দোক থিনজিন তৌরি। অঙাং থিনবগী মতমনা অয়ূক পুং ৪ দা মফম অমা, অয়ূক পুং ৫ দা অতোপ্পা মফম অমা অদুগা অয়ূক পুং ৬ তা মফম অমা চৎলি। মফম অমদগী মফম অমদা মাগী এক্টিভা অদু হাইগৎ হাইগৎতুনা লৈরক কোন্সাং, লম্বী অচৌবা মচা থৌরে, লৈখোম মরক খঙদে, নোং মরক খঙদে এসেলেরেটর লৈখৎ লৈখৎতুনা থৌরে। নংনা নংনবা থৌবা মাদা নত্তে মচা অমমম গাড়ী মনীংদা হাপ হাপ্তুনা থৌবা মাগুম্বা কয়ানি। কার মনুংদা হাপ্তুনা মচাবু ট্যুসন থিনবনা থিনবা, গাড়ী মচা মনীংদা হাপ্তুনা মচাবু অমুক্তা ট্যুসন মফমদা থিনবনা থিনবা, এক্সিদেন্ট থোকপনা থোকপা মমিৎ মক্না উরি। মাঙ্গোনজাউ পূম্নমক অসি হৈনরমদবনি হৈনরেয়ে। নোংমগী অয়ূক্কী এক্সর্সাইজসু মদুনা ওইরেয়ে।

নুমিদাংৱাইরমগীনা ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি অমসুং ইমালোল মণিপুরী সবজেক্টকী ট্যুসন চৎলি (মচানুপা ক্লাস টুয়েল্ভ কাবা অদু পুদুনা)। স্কুলদগী হেক থুংলবগনি, অঙাং অদু চরা ৱানবা ফংবোই ফংদবোই, গাড়ী মনীংদা হাপকৎতুনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ গী ট্যুসন নংনবা, পুং ৫ দগী অমা, ৬ তগী অমা, ৭ তগী অমা নুমিদাং পুং ৮ তারকান্দা ময়ূমদা অমুক হল্লক্লে। অয়ূক্তা পুং অহুম অমা অদুগা অরোইবা ওইনা নুমিদাংৱাইরমদা পুং অহুম অমা কনাগুম্বী মশক খঙদবী লমলানবী অমগী মপু ওইখ্রগদবা মাগীদমক্তা পুং তরুক নোংমদা ইবাই মাঙ্গোনজাউনা মাঙবীরে। কয়াদা কৎথোকপা কনখ্রবা, কয়াদা পুকচেল চাউখ্রবা, কয়াদা অখাঙ কনখ্রবা ইবাই মাঙ্গোনজাউনো?

অঙাং অমগী সবজেক্ট অমগী ফী লুপা লিশীং মরি মরিদগী তাদ্রে। পূন্না লুপা লিশীং কুনমরি লৈত লৈতনা অদুম পীবা ঙম্মী। য়াম্মী য়ামদে, হায়রুবা য়াদে। লুপা মঙাদা তাবীয়ু হায়রুবা য়াদে। হৌনবা খঙদবা য়াম্না চোপ্পা হায়বদু ওইরিবনি। ঈজৎকী ৱাফমনি। লৈত লৈতনা অদুম তৌবা তাবনি।

মচা মরিগী স্কুলগী ফী অদু মানা লোইনা পীবা তাবনি। লৈত লৈতনা নমদুনা পীবা ঙম্নবা পীবা তাবনি। নমদুনা ইনাক খুনবা মপা অমা হায়বদু ওইবা তাবনি। অফ অফবা স্কুলদা তমহল্লি মচাশিং অদু অদুগা ট্যুসনসু অদুম থাবা তাবনি। স্কুল অফবদা তম্বা অদুগা শুকশোয় শোয়দনা ট্যুসনসু অমুক তম্বা চৎহনবা হায়বসি ময়াম্না য়াম্না পাম্নরবা চৎনবী মখল অমনি। মসি য়াওদ্রেদনা ইবাইগী মতু ইচে মীনাকুমারীনা মচা ট্যুসন থাবীদে হায়দুনা মপাম চৎলগে হায়গদৌরিবনি, মচা অদুসু য়ূম থাদোক্লগা চৎখ্রগে, হু চাগে, থৌরি য়ানগে, করম্বা ইপানো হায়না হেক্তা নিংঙাই তৌগদৌরিবনি। মসিগুম্বা মায়াগী লাং ময়াম অমদি নিংঙাই খৈবিক অসিদগী নান্থোক্লবা গাড়ী মনীংদা মচা হাপ্তুনা পুবনা ফৈ হায়না ইবাই মাঙ্গোনজাউনা মাঙ্গোন্দা ফম্বা ঙমলক্তবনি হায়রি।

ট্যুসন ফী চাউনা চাউনা লৌদুনা, মিংজলশেল চাউনা চাউনা লৌদুনা, ফজ ফজবা য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা, বসকী ফী চাউনা চাউনা লৌদুনা লাইরিক তমহল্লিবা শ্বাইদগী ফরে হায়দুনা এদভর্টাইজ কয়া তৌরবা স্কুলশিং নৎত্রগা ঐখোয়না শ্বাইদগী ফরে খঞ্জদুনা তল্লবা স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংনা প্রাইভেট ট্যুসন অমুক চৎনবগী শোয়ফদ্রবা মথৌ অমা তারক্লিবা অসি ঐখোয় অসিবু কয়ামুক য়াম্না অরেম্বা মতম লৈরবা কাঙবুরা? ঐখোয় অসি শেল থুম কয়ামুক য়াম্না খূৎতা লেম পানা লৈরবা কাঙবুনো? ফৈ ফৈ হায়রিবা স্কুলশিং অসি কদাইদা করিদা মতৌ করম্না ফরিবনো হায়বসি হেক্তা হংনীংলকই। প্রাইভেট ট্যুসন ময়াম অসিনা খলহল্লি - স্কুলশিং অসি মেকপ্না ফজহল্লিজাৎলা?


# খূৎ অমসুং খূৎলোকপী মরু

**— নবকুমার ওইনা —**

**খূৎলোকপী** শান্নদবা মী লৈতে। অঙাং ওইরিঙৈদনা নূংনা শান্নে। অহল ওইরক্লগনা মী ওইনা শান্নখৎলকই। ললোনবীনা খূৎনমদা তোংবা খরদু চাই, ঠিকাদারনা লোংকোৎ কোৎলগা চাখি। পোলিটিক্স তৌবশিংনা খূৎনমদা লোয়না তোংহন্নিংই, তোংউ য়াদবশিংদু মখূৎ ওইদুনা চাইখাইদুনা শান্নে। মীশিংসে নূং ওল্লকই, থরো-থরো ওন্নে, ঈশঙ কানদে।

লৈঙাক হায়বসি লৈবাক অমা শেম্বনি। লমদমসিগীদি মদু নত্তে, খূৎলোকপী শান্নবগুম্বনি। কৈথেল কারকপগুম্বনি, অপাম্বদু তাপ-তাপ লৈগনি, পুশিল্লগা থোংদুনা চাথোকখিবনি। ময়ামগী হায়বদু নীংশিংনবা মান্দে, লাউবদনা অমা লাউশিন্নবনি। লৈবাক শেম্বা য়াওগনি খল্লগা থোক্লকপশিংসি মপুকচেল শেংবা মী ওইনা লৌবা ঙম্নদে, লীদর মালহল্লগা হুরানবা থোক্লকপা মান্নরকই। মতৌদি ইংলিস ওফিসার মান্নবা শেৎ-চাবসু য়াওনৈ। নুংশিবা-নুংশিদবগী ৱাদুদি নত্তে, পুকচেল তিংনা য়েংলগা হায়নবগী ৱাদুনি। খরা অমনা বেঙ্গলি পন্দিট মানবা, গুজরাটি মানবসু য়াওনরক্লি। লমদমসিগী লৈঙাকলোয়নি হায়বগী ফিজোল অমা লৈবদি উদ্রি, থায়নগীদুদি মাঙখ্রে। অদুনবু থায়নগী লৈবাক্তুসু মাঙখ্রিবনি। নিংথৌ মুথুৎখিবসিদি নিংথৌনা নত্তে। নিংথৌ মুথুৎপা পাম্বশিংদুনা ঙমখিবগী ৱাতনি। নিংথৌ শাজৎ অদুদি মীপুম খুদিং চৎনরক্লি। নাকল অমদগী লৈখৎলগা অমনা অমুক নিংথৌ ওইবা য়ানবা শিনবতনি। শাজৎ-লিচৎ, লৈঙাক্তা থোয়না হোংবা নত্তে। মীনাইদি মীনাই ওইনা অদুম লৈবা, থবক মওংদু খরা হোংবগী ৱাতনি। মীনাই ওইবগী মওংসি মখল য়াম্মী, মীনাইনা মপু মানবসু লৈ, মীনাইনা মপু শাবসু লৈ। মীনাই মরক্তগী নিংথৌ ওইনরকপা হায়বা তারে। অদুনবু মীনাই শাজত্তা লৈবাক ঙাকপগী শোয়নরক্লিবনি। দিল্লিনা হায়বসু য়াবা চীংনুংনা হায়রসু য়াবা, পৈশা চাগনু হায়বদুতনি য়াদ্রিবা। মী হাৎলু হাৎলি, মচানি-মশুনি হায়বা খঙবা নত্তে, মপা-মপু হাৎলু হাৎনরিবসিনি, মপানাৎ-মপুনাৎ য়োল্লগা চাবা ঙম্নরক্লিবনি। নুংঙাইরিবা অমনা নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বশিংনা লম্বী শোরোক্লি খঙদে পৈশা খোম্মিংলে খোমগনি, মী হাৎনিংলে হাৎকনি, পোৎ মুন্নিংলে মুনগনি। হৌজিক্তি মীয়ামসু লম্বী থিংনিংলে থিংবা, হুরান্নিংলে হুরানবা ঙম্নরক্লে। হুরানবা মকোক্লা হুরানবা মচা থিংবা ঙম্নদ্রে। হুরানবনা লেম্বা হেন্নরক্লে, হুরানবা ঙমদবশিং মী নত্তে হায়না খন্নরে। খূৎলোকপী শান্নবদা খূৎনমদা তোংউ য়াদবা নূংদু খুনগৎলগা হাপকৎপদগী হুরানবা তম্লক্লবনি। হৌজিক্তি পৈশা পীরা-পীরগা খুনগৎপা য়ারে। অদুনবু ইরায় লায়না ভোট কানরিবনি। মসিনবু হেন্না ফরে, মায় ঙাংনদবী পৈশা পীরগা খূৎনমদা কাখৎলু য়াবসিদি মালেমসিদা, লমদমসিদনি। অসুক নুংঙাইবা গেমসি অতৈ অমা লৈত্রে হায়নরিবসিনি। খূৎচু মরি-মঙাদং তনান-তনান থম্লগা য়ারে। মীনাই ওইনা উরবসু, মীনাই ওইরিবসি পৈশাগীনি, মীনাইনা পাম্বসু পৈশাতনি। পৈশাতবু লৈরবদি মপু মাল্লকইবসিনি, মীনাই মচা-মচা অমুক য়োকখৎলিবনি। মীনাই মচা-মচাশিংসি অমুক খূৎলোকপী শানবা য়াওরিবনি। পার্টি অমদা অমুক য়াওগনি। পার্টি অমদা অমুক চোংগনি। মীনাই য়াম্বনা পাঞ্জল থোইনরিবনি, নিংথৌ শেম্নরিবনি।

পোলিটিক্স মাল্লক্তবা, ডেমোক্রেসি নত্তবা মওংদা মীওই খরা খূৎলোকপী মরুদৌনা পার্টি অদুদা য়াওরে হায়না পাউচেদা হাপ্পা য়াওনরিবসিবু কনাগী খূৎনা শান্নরিবনো? ওন্থোক্লা অঙাং মাঞ্জখ্রে হায়ৱানি। কেন্দিদেটকী অফবা নৈনবগী মহুৎতা মীচং খোম্বগী লীলানা হেক্তা হাঞ্জিল্লকই। সেক্রেট বেলোট হায়রগা ওপন সপোর্ট হায়নরক্লবদি ভোট তৌদ্রবসু য়াগদৌরিবরা? মীগী লমগীনা পোলিসি ফজবদা সপোর্ট তৌনৈ, ঐখোয়গীনা শাগৈ ফবা, পৈশা পায়বা, মীচং খোম্বা হৈবদা চৎনরি। অসুক চাউবা ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকসি শাগৈ অমগী পোলিটিক্স মালহল্লি, ফুরুপকী পোলিটিক্স মালহল্লি। মীয়ামসি ফুরিৎখাওদা য়াওবা নূংগুম্না বোড়া-বোড়া পুরগা পার্টি হোংবা ঙম্নরক্লি। তশেংবদি মীয়ামদি মীগী ফুরিৎখাওদা য়াওগদৌবা নত্তে। লৈবাক পুবা ঙমগদৌবা মীশিংদু য়েংলগা অফবা খনবা ঙম্মু হায়বনি। লৈবাকসিদা ডেমোক্রেসি পুশিল্লকপা ঙনমল্লি হায়রম্বদু কাওবা য়াদবনি। চহী হুম্ফুগী মতুংদা ফগৎলক্লিবা মওংসি করি ওইরি মুন্না খন্নবা মীওই কয়া য়াল্লবগে? ঙম্না ঙম্নবা মুন্নবদা য়াওশিন্নদুনা মায়কৈ খঙদনা তাওথবনা অয়াম্বনি। মী খুদিং লৌশিং মান্নৌ য়াদে, নূং খুদিং সাইজ মান্নৌ য়াদে, খূৎ অমনা ইরায় লায়না শানবা য়ারিবগুম উনরি। মসিবু খূৎলোকপী শান্নবনি হায়দবা য়ারোই। মীয়াম্না লাইরিক-লাইশু ফনা হৈরবসু ঙসি ফাওবদি ডেমোক্রেসিগী অশেংবা শক্তম অমা শাগৎপা ঙমদ্রি হায়খিবা তারি। মসি পূম্নমক লৈঙাক শেন্নগনি হায়না পামজবা খরা থোক্লক্লিবশিংদা তায়নফম থোক্তে। লৈবাক শেম্বদা মায়কৈ লেপকনি হায়না শেমগৎনরিবা চীংবুরোই-তম্বুরোই পূন্না খন্নফম থোকই। অমনা অমদা তায়নদুনা, খেৎঙাঙ ঙাঙনদুনা লৈরিবা মখৈ থবক ওইখিরোই হায়বা তাক্লিবনি। নাইতোম তানা হিংবসু য়ারোইদবদা শা-ষণ ৱায়নবগুম নাকোয় চৎনদুনা লৈবনা খুন্নাই অমা শাগৎপগী মপূং ফাবা শক্তমদু পুরকপা ঙম্বা হৌনদে। ঙাঙনরিবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙশিং অসিনা তাক্লিবদি লাইরিক-লাইশু মপূং ফাদবগী মশানা মশা মশক খঙবা ঙম্নদবগী লাইওং খঙদনা নারিবা খুন্নাই ওইরি হায়বনি।




পেত্রোটিজমগী ৱাহন্থোক ফজনা ঙাঙনদ্রি, সোসিয়েল কন্সত্রক্সন মপূং ফানা শাগৎপা ঙম্নদ্রি। মশানা মশা শেম্বা লোইশিনবা ঙম্নদ্রি। মীয়াম মমাঙদা শেমজিন শাজিনবা ৱায়াম ঙাঙবা য়াওনরি, মীয়ামদা মীনম্বা ঙম্নরি। মসিমক্তি মীওইবগী থাক অমা উৎলিবনি, মালেমগী অৱাংবা থাক য়ৌরবনি হায়না লৌবদি ঙম্নখিরোই। অসুম্না য়েংলুরিবা মিৎয়েং অসিসু লানবা ওইবসু য়ারিবনি। অরানবা অচুম্বা কয়া ময়েক শেংনা, পুকচেল শেংনা, লাউনা ঙাঙনবা য়ানরকপা তমম অমা শোয়দনা লাকখিগনি। মতম অদুদা অনৌবা শক্তম অমা শাগৎপগী থবক হৌরে হায়না লৌবদি য়ারগনি। তাঙ্কক অসিদা ঙাঙনরিবা অসিদি মীনা ঙাঙবদি তারোই, ইশানা ঙাঙবদি তাদবা য়াদে হায়বগী কিহনবা, খঙহনবফাও ঙম্নরিবা মতমনি। ৱা খরা তাহনবদি লাইরে; রেদিও, কেবল টি ভি লৈরে। লুরক্লিবনা নাকোংদা চংঙু য়াদবসিনি। অহলশিংগী মতৌ তমদুনা অঙাংশিংসি মীনা ঙাঙবা অমত্তা লৌদবা হৈনরে। মচা নুংশিবী মমানা থৌজিনবনি খঙদে, পৈশা চাবা মপানা তম্বীবনি খঙদে, মচাশিংনা মমা-মপানা হায়বা লৌদবা মশীং য়ামখৎলক্লে। দ্রগ চাগনু হায়বা ঙম্বা মমা-মপা য়ামশিল্লক্তরে, দ্রগ চাবগী পৈশাদি মমানা পীবনি। পৈশা চারগা মচাদা দ্রগ চাহনবা মমা-মপা লৈতে হায়বা য়াররোই। অসিগুম্বা ৱাথোক ময়ামসি খূৎলোকপী শান্নবা য়াবা, কোক য়াওদবা, লাই লাত্তবা, কাওশিং-কাউরা য়াম্বা হেনগৎলকপদগী ওইরকপনি হায়বদি ইখঙ খঙনরবা ৱানি।

খূৎলোকপী মরু ওইবদি পামদবা, খূৎলোকপী শান্নবদি পাম্বা, মপা-মপুনা তম্বীবদগী মী খূৎলোকপী শান্নবা পাম্বা, পৈশা পায়নিংবা, পৈশা পীজরগা থবক লৈবা ঙম্বা ময়াম অমা থোক্লক্লি। দ্রগ লল্লোনবা নত্তে, মী খূৎলোকপী শান্নবনি। থবক য়োনবা নত্তে, মী খূৎলোকপী শান্নবনি। ঠিকা তৌবা নত্তে মিনিষ্টর খূৎলোকপী শান্নবনি। খ্বাইদগী ঙম্বসি পৈশানি, পৈশানা শান্নবা ঙমদবা মী অমত্তা লৈত্রে, পূম্নমক খূৎলোকপী মরু ওইখ্রে। মহৈরোয়শিংসি স্কুলশিং অসিগী খূৎলোকপী মরুনি, পৈশা তানফম্মি। মমা-মপা অপঙবশিংনা চৎনবীগী খুদুং ইনবদা ৱাজবতনি। থবক তৌবা ফংবা খূৎলোকপী মরু খরদুদগী মশীং হেনগৎপা ঙমগদৌবা নত্তে। ইচা-নচা-মীচা ওন্থোক-ওনশিন তৌবতনি, শান্নবা লোয়রবা খূৎলোকপী মরুশিং পুমচায় চায়দুনা লৈগনি। চাবা ফংলোই, শেৎপা ফংলোই, থৌশিল অসি লৈবাক্কী থবক্লি হায়বা য়ারোই। অঙাংগী লৈশান্নবা মাল্লকপদুনি। য়ূম শাই কিন্থগনি, লম্বী শেম্মী কায়গনি। থোং শাই তেক্কনি। মসিবু লৈশান্নবনি হায়বা য়ারোইদবা লৈব্রা? ঈশিং ফাওবা অকুৎপদা চেন্থে খঙদ্রবা ঈশিং চাউহন্দ্রবদি পৈশা লোয়শিনবা য়াদ্রবা, খূৎলোকপী মরুদু মখূৎ ওইননা চায়খায়দ্রবদি খুনগৎপা য়াদবগুম্বনি। বামোন্না থোংলগা য়েনবগুম য়েনবা নত্তে, হোটেলগুম য়োনবসি লৈঙাক কৌবা য়াদ্রি। দিল্লিগী লৈঙাক্তা ষ্টেটকী লৈঙাক্তা মান্নদবা চাউনা উরি। এসেমব্লি অসিদি চাকশঙগুম্বনি, মদুসু পীক্লিক লাকপশিংগী থোংদোক্লগা চাথোক্লগা চৎখিবগুম্বগীনি। মী খঙহন্দনা চাথোক্লিবা ময়ামসি করম্বা খূৎনা চাবনো খঙনবা নৎত্রি। চাকশঙদা চায়হৌরিবসি টসরগী, মুগাগী, চিনিগী, ঈশিংগী, টেরেষ্ট কল্টিভেসনগী পুমচায় চায়রিবসি শান্নবা লোয়বগা খূৎলোকপী মরু চায়বগুম্বদুগা চপ মান্নরি। অয়েংবা, অউবা ঐখোয়সু খোঙপাক্লা কাউরম্বদা নুংঙাইবা ফাওরকই।

মীনাই শিনসু শুরগা মীনাই নত্তে হায়বা য়াবা হৌনদে। মীনাইনা পাম্বসি পৈশাতনি, পৈশাতা পাল্লিমখৈ মীনাই নত্তে হায়বা য়ানরোইদৌরি। মপু য়াওদনা লৈবাক ঙাকপা ঙম্বা হৌনদে, মপু ওইবগী লৌশিং য়াওদনা মপু শাবা ঙম্বসু নত্তে। মপু লৈত্রবদি থবক শুবা হৈতবা মীনাইদি খূৎলোকপী শান্নদুনা লৈবা তারকই। খূৎ অমসুং খূৎলোকপী মরুশিং কয়াদা চান্নজরিবনো?